
# চীংমীনা তম্মীদগী শিংবা হেনমাল্লে # ৩

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল**




**মীওইবগী** মপোক হীরম খুদিংমক্তা চপ মান্ননা ফবা হায়বসি য়াম্না তাংনা থোকপা ওইথোক্তে হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি থাজদে। অৱাৎপা অশোইবা খরদি শোয়দনা লৈগনি। অফ-ফত্ত য়ান্নবদা অফবনা হেল্লগনা অফবা মপোক হায়নবনি। হোৎনবা কনবগা লোয়ননা ফগদবা মায়োন্দা মিৎয়েং শান্না উবা ঙম্বদুনি ময়াম্না পাম্লবদি। হোৎনবসু কনবা ফগদবা ময়োনসু খঙবদা তুংগী মিৎয়েং শান্না উবা ঙমদবদগী মীতৈনা মীখা থাবনি হায়জনীংই। মসিবুনি অৱাৎপা অশোইবা খরদি শোইদনা লৈগনি হায়না হায়জখিবসি। খুদম খুন্নাইদা মীনা ইকায় খুম্নবা অফবা শিনফম ডাক্তর অমদি এঞ্জিনিয়র ওইবা মশীং মীতৈনা হেল্লি হায়বসি অদুম খঙনৈ। সেন্ট্রেল সার্ভিসশিংদা মীতৈ মচা মশীং ৱাৎলি। হায়রিবা অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী লোইশঙ অয়াম্বদনি। করিগী ৱাৎলিবনো হায়বা ৱাহংগী অশুপ্পা পাউখুমদি তুংগী মিৎয়েং শানবা ৱাৎপগা লোয়ননা মীরমদা চৎনিংদবা অসিনি। রিমস অমদি জেনিমস মমি তমদ্রিঙৈদা ষ্টেটকী মেদিকেল দিরেক্টরেট ওইনা লৈরিঙৈদা মেদিকেল দিরেক্টর, সর্জন অমদি মেদিকেল ওফিসর ওইবা অয়াম্বা মীতৈমচাশিংনা ওইরম্মী। চপ মান্নবা মওংদা এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টশিংদসু চীফ এঞ্জিনিয়র, মরক্কী এঞ্জিনিয়র, অপিকপদা সেক্সন ওফিসর ওইবসি মীতৈনা মশীং হেল্লমই। চহী ৪০/৫০ গী মমাঙ অদুৱাইদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা তম্বু তম্লবদি থবক শোয়দনা হান্নদি ফংলম্বা অদুগা হৌজিক্তদি খরা ৱাজরবসু, থবক ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা ৱাংনা লৈ হায়না খনবদগী মতমদুদগীনা হৌজিক ফাওবদা মতম মতমগী ওইনা ক্লাস টেন, মমাঙঙৈদা পি য়ু সি হায়নরিঙৈদা হৌজিক্তনা ক্লাস টুয়েল্ভ পরিক্ষাশিংদা মার্ক ৱাংনা ফংনবশিংনা মেদিকেল এঞ্জিনিয়ারিং অহুমশুবদা ভেটিরিনরি/এগ্রি তম্ন রমই। সিভিল সার্ভিসশিং হায়বদি আই এ এস, আই পি এস, ইন্দিয়ান একাউন্টস সার্ভিস, ইন্দিয়ান ফোরেন সার্ভিস, ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট সার্ভিস, কষ্টমস এন্দ এক্সাইজ, ব্যুজিনেস মেনেজমেন্ট, চার্টর/কোষ্ট একাউন্টেন্ট, কম্পনি সেক্রেটেরিনচিংবা কয়াদা পূক্নিং চঙনরমদে। অহানবা মরম্না হায়রিবশিংসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙবা ৱাৎপা, থবক ফংখ্রবদি কয়াম কান্নবা হায়বগী থিজিন হুমজিনবা ৱাৎপা পনবা য়াই। অনীশুবদনা, অৱাংবা থাক্কী পরিক্ষাশিং ওইবনা হোৎনবা য়াম্না কন্দ্রবদি য়াদবা অদুগীসু মথক্তা হোৎনরুরিবা তম্লুবদুগী কান্নবা মহয় ফংবদা চিংনবা লৈবননি। মশানা লাইরিক খরা ফাদুনা লৈরবনিনা মদুদা খরগা হেন্না হোৎনবা কনবা অমদি কোচিং মখাগী ক্লাসশিংদগী তৌনরিবা অসুম হায়না সিভিল সার্ভিসেস ইগজামশিং (কম্বাইন্দ সিভিল সার্ভিসেস) থানবগীদমক অহেনবা কোচিং ফি, লাইরিক লৈবগী অহেনবা শেনফম খরা মতমদুদগী হৌনা থাদদুনা হোৎনরম্লবদি মীতৈ মচা কয়া অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মশক থোকপা ব্যুরোকেট ওফিসর কয়া অমসু ওইরম্বা য়াবনি। ফম ৱাংখৎলকইবগী মতিক ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেসন্দা লৈঙাক্কী ৱারেপ লৌবদা অচৌবা অপীকপা থৌদাং লৌবদা শরুক য়াবা ঙম্লমগদবনি। করিগুম্বা অদুগুম্বা ফীভমদু ওইরম্বা তারবদি মখোয় মখোয়গী ইমুংগী মরী মতাশিংগী অহানবদা কান্নবা, মিংচৎ ফংবদা, অনীশুবদা খুন্নাইসিগী মরু ওইনা মীতৈ খুন্নাইগী মিৎ, মায় পাংবা হায়বদু ওইরমগদবনি। অদুবু হৌজিক্তি য়েংউ য়েংউ লোইশঙশিংদা লৈঙাক্কী ৱারেপ লৌবা ঙমগদবা মীতৈ মচা মশীং য়াম্না ৱাৎপনা শিংলে হায়না খঞ্জবা মীতৈনা ঙাপ্রুম মমৈ খুজিন্না শিকপা হায়বদুগী ফীভম তারে হায়বা য়ারে।

নাকল অমরোমদা, মহৈ মশীন তম্নবা হোৎনবদগী হৌরগা অৱাংবা অনেম্বা থাক্কী থবকশিং চঙনবা হোৎনবদা হন্থবা মার্কশিং, মতম মতমগী তৌরিবা পরিক্ষাশিংদুগী মতুং ইন্না অমুক্তং ওইরবসু ফংলবদি য়ারে হায়বা - শম্না রিজার্ভ কোটাগী কাঙবুশিংনা মখোয়গী মরক্তগী মমিৎ-মনা খরা শিংবা, মিৎয়েং শান্না অফবা শিনফমদা পান্দম থম্বনা য়ু পি এস সিনা লৌবা নৎত্রগা অফবা কম্পনিগী রিক্রুইটমেন্ট বোর্দশিংনা লৌবা পরিক্ষা থাবদা অমুক্তা খল্লক্ত্রবসু অনীরক অহুম্লক থাবদা খল্লকপদগী ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিংদা মকোক/ময়াই ওইবা থাক্কী ওফিসারশিং ওইবা মীতৈ ঐখোয়না থেংনরি। য়াহৌ থেংবা মীতৈনা চঙলুবদা মকোক থোংবা কোটাগী মীওইশিংগী মখাদা থবক তৌবা তারকপা অঙকপা ওইনা লৌফম থোক্তে। অদুনদি মায়কৈ কয়াদগী লৌশিং, তৌগদবা চখগদবা থবকশিংগী পোরম খঙবা তাবনি। শম্না হায়রবদা মখোয়গী মতেং পাঙবিনবা অচৌ অশাং ৱাৎপা হৌনদে। হেক্তমক হায়দোকপা য়াদ্রবসু হায়দোক্ত্রবসু পো খরা কাংবদি মশানা তাবনি। মীতৈনা করিগুম্বা পাউ নৎত্রগা লৌশিং খরা ফংনবা হোৎনবদা মতেং পাঙবিনবা ঐখোয় ইশাগী ওইবা মতিক চাবা মীওইশিং লৈতবদগী ৱাখলনা শারগা কোয়চেন চেনবা তাবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা আই এ এস, আই পি এসনা মকোক মথং ওইবনা, হৌজিক ফাওবদা মীতৈ খুন্নাইগীদা শেল থুমগী ফীভমসু খরা হেন্না ফবা ইমুংশিংগী মচাশিং মায়কৈ শোমদা মায় ওনশিনবগী চাং য়াম্না হন্থরি হায়বা য়াই। ঙসিদগী চহী ৩০-৪০ গী মতমদুদা অফবা ইমুংশিংগী অমদি মচা-মশুশিংনা খল্লম্বা ৱাখলদগী ফনা য়াম্না ওল্লক্লে হায়বা ফাওবদা শেল্লেপ মাঙগদ্রা হায়বা ৱাখলনা হেক হেক মাঙওইনবগুম তৌরি। অদুনদি খুন্নাইগী চাওখৎ লমজেলদা শোখ্নবা তাবনি। শেল য়াম্না পায়বনা খুন্নাইদা ফরে হায়না লৌবা লানগনি। নম্ফু হাফুদা শিবা কিদনা শেল তাল্লগা ক্রোরগী শেঞ্জাও পায়বা কয়া অমা লৈরে। খরা অমনা অহানবা সোসল ৱার্করগী ফিদা কন্নবা হোৎনবা, মমৈদা পাৱর পোলিটিক্স তৌনিংলকপগী মরম করিগীনো? শেল পায়বনা হেক্তা য়ারক্তে হায়বা খঙবদগীনি। অদুবু মথক্কী সিভিল সার্ভিসেস ইন্দিয়াগী ওইগেরা, ষ্টেটকী ওইগেরা (থাক খরা হন্থজরবসু) ওইবু ওইরবদি মখূৎতা এদমিনিষ্ট্রেটিভ পাৱর অমদি মনি পৱার অদুম লৈজরগনি। কাঙলোন চুম্না থবকপু তৌরিমখৈদি শেলগী অৱাৎপা লৈরোইদবনি। ওইবা ঙমদবগী ৱানি, মণিপুরনি ওইবা য়াবা কাঙবুনা তান্নরিবদি।

অমুকসু, মণিপুরগী ৱাংমদা মীতৈ মচা মশীং ফনা ফজনা য়াম্না মহৈ মশীনবু তম্লবসু, কম্পনিগী থবকপু তৌরবসু - ষ্টেটশিং শিন থুংনা লৈবদা বেঙ্গলোরদনা খরা য়াম্না লৈবগী পাউ তানৈ। শেঞ্জাও পায়বশিংনা ফ্লেট লৈনবসু বেঙ্গলোরদনা হেনবগী ৱা হায়নৈ। দিল্লিদা করিদা ত্রাইবেল মহৈরোয়শিং অদুম লৈ। মখোয়গী খুদোংচাবা হায়ববু নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদগী লাকপা ত্রাইবেল মহৈরোয়শিংগী য়ুনিয়ন/ওর্গনাইজেসন মপাঙ্গল কন্না লৈবগী মমি তাই। খুদম ওইনা, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা ওগষ্ট ৩১, ২০১৫ দা পাস তৌখ্রবা বীল অহুম মণিপুরগী গভর্ণরনা প্রসিদেন্টকী অয়াবা লৌনবা থাবদা মণিপুর পিপলস বীল, ২০১৫ ৱিথহোল্ড তৌখ্রগা অনীনা শেমদোক শেমজিন তৌরগা অয়াবা পীহন্নবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎ খরা মণিপুর ভাবন্দা লৈরিঙৈদা মহৈরোয় ৩০০ লোম্না অকনবা মওংদা লাউ খোংদুনা তৌবদু থিংনবা অমদি তানখায়নবা দিল্লি পুলিসনা হোৎনবদা লাঠি চার্জ তৌবদা নূংনা থাজিল্লকপগী ফু চৈবদা অশোকপা খরা য়াওরকপদা মদুগী লমন খুম্বা মানবা মওংদা নাগা তাবা মফমশিংদা নুমিৎ ৪০ নিগী টুটেল ব্লোকেদ তৌনবগী ৱারেপ লৌবদু নাগাগী সিভিল ওর্গেনাইজেসনশিং অমদি নাগা মীয়াম্না থবক ওইনা ব্লোকেদ তৌহনবা ঙমখিবদুনা তাকপদি মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা ত্রাইবেলশিংগী মহৈরোইশিংগী য়ুনিয়ন/ওর্গেনাইজেসন মপাঙ্গল কল্লি হায়বসিনি। চহী খুদিংগী জুন ১৮ মাঙওইননা নাগাগী সিভিল ওর্গেনাইজেসনশিংনা চীংগী লমশিংদা মরু ওইনা নাগা তাবা লমশিংদা বন্দ কৌবসি কেলেন্দরদা য়াওবগা চপ মান্নে। মীতৈশিংনদি অমৎতা ওইবগী ৱাখলদা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক্নচিংবা তৌহন্নিংদবা অসিগী মায়োক্তা শোয়দনা তৌরক্কনি খঙনা খঙনা অদুম তৌরকই। অদুম ওইনমক জুন ১৮ গী থৌরমসু অদুম কায়দনা মপূং ফানা পাঙথোকখি, পাঙসু পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈ। করি খনবদগীনো খঙদে, মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা মণিপুরী (মীতৈ মচাশিংগী) ষ্টুদেন্ট ওর্গেনাইজেসন্নদি অসিগুম্বা থৌওংশিং চখবদি তৌখিদব্রা/তৌদে হায়না খল্লি। করম্বনা ফত্ত-লৌশিং হেনবনো হায়বদি পঞ্জনিংদে। হুরানবা নকোক্তা নাপী পকই হায়বদো অউবনা অদুম মশানা খঙজবা পোৎনি।

চীংমীশিংনা খনবা চাওখৎপা করিনো হায়বগা মরী লৈনবা ৱারী মতেক অমা গুৱাহাটিদগী শিল্লোং ফাওবগী খোঙচৎতা কম্বাইন্দ সিভিল সার্ভিসেসকী কোচিং য়াওনবা শিল্লোংদা চৎলম্বা ত্রাইবেল নহা খরগা অইবগা থেংনদুনা ৱারী শান্নরকখিবদু নীংশিংলকখি। মখোয় ৫/৬ মুক শুই। সীটতি রো অনী অহুম কান্নরগা ফম্বসু য়াওই। ঐগী ওইথংবদা মী অনী ফম্বা য়াবা সীট পরেংদুদা চুড়াচান্দপুরগী মনুং হুঞ্জিনবা মফম অমদগীনি হায়বা মখোয় অনী ফমই। রো পরেং ওইবনা ঐসু ইম্ফালদগীনি, মখোয়না চুড়াচান্দপুরদগীনি হায়দুনা অহানবদা ৱারী শানবসি মিনিট ৫ রোমগুম্বা মীতৈলোন্দা শান্নরবা মতুংদা মীতৈলোন/মণিপুরী লোল ঙাঙনীংদবগুম তৌরকপগী ইঙ্গিৎ উৎলকই। মদুদা নখোয় ইম্ফালদা কয়া তোয়না লাক্তব্রা হায়না হংবদা, মখোয়গী মরী মতাগী য়ূমদা লাকপা নৎতনা ইম্ফালগী অতৈ মফমদদি কয়া চৎতে অদুনা মীতৈলোল ঙাঙবদা খরা ৱাবনা কয়া খঙদে হায়রকই। ফরে অদু ওইরবদি নখোয়গা লোন মান্নদবা অমদুনা মীতৈলোল ফজনা খঙলবদি করি লোন্দা ৱারী শান্নগনি হায়বদা মীতৈলোলদা শান্নগনি, ইংলিস খঙবা ওইরগনা ইংলিসতা শান্নগনি হায়না খুম্লকই। অদুদা লোল ফাওনদবা ত্রাইবেলশিংগী লিঙ্ক লেঙ্গুইজসি মীতৈলোলনি হায়বসি য়ানিংব্রা হায়বদা "Yes, I think so" হায়না অমুক খুম্লকই। অদুদগীদি অইবনা মঙোন্দা অসুম্না হংখি - Why do you want to appear Combined Civil Servies? I want to appear Combined Civil Services to be a good administrator. Second question ওইনা - For whom you want to render your good administration? I want to render my good administration for the nation but particularly for the tribal people. মমান্নবা অমনা মখোয়গী মরোলদা ৱারীনি খঙদে করিগুম্বা খরা হায়রকপদগী সোরি হায়রম্লগা মখোয় মশেল অদুম ৱারী শানখ্রে।

মদুদা ঐনা খনখিবদা মশানবু হোৎনবা কল্লবা, তুংগী পোমিৎ শান্না, চুম্না উবা ঙম্লবা অদুগা মশাবু চাওখৎপা পুন্সি অমগী মহিং পাম্বদগী কম্বাইন্দ সিভিল সার্ভিসেসকীদমক ইগজাম থানবা চীংনুং য়াম্না হুনজিনবা মফমদগী মখোয় (ত্রাইবেল) খরনা শিল্লোংদা কোচিংসু য়াওনবা হোৎনিংবগী ৱাখল থৌনা লৈরম্বসি ঐখোয়গী নহা ওইরিবা খুদোংচাবা কয়া তম্পাক্তা লৈবনা ফংলবা মীতৈ মচাশিংনা মপু অমগুম লৈঙাকলোন্দা অচৌবা ফিদা কনবা য়ানবা কম্বাইন্দ সিভিল সার্ভিসেস ইগজামশিং থানিংবগী ৱাখল থৌনা লৈতবসি অশিংবা তম্মী অমগী মচৎলা নৎত্রগা চীংমী অমগীনা অপঙবগী মচৎনি হায়না লৌগদ্রা? হীরমসিদা মুন্না খন্থহঞ্জনীংই হায়রগা ৱারেংসি লোইশিঞ্জরগে।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## নুপা-নুপী রাইট মান্নরবসু খেন্নবা লৈ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ঙসিগী** ওইরিবা খুন্নাই অসিদা নুপা-নুপী চপ মান্নে হায়নৈ। অদুগা নুপীনা তৌগদবা, নুপানা তৌগদবসু চপ মান্নে হায়বদি তৌফম থোকপা 'রাইট' অদু চপ মান্নে হায়নরি। অদুবু ঐখোয়না কুপ্না খন্থরুরবদি খেন্নবা খরদি অদুম লৈ। হোয়, নুপানা তৌবা থবকশিংদু নুপীনা তৌবা লোইনা য়াই অদুবু কুপ্না চাংদম্নরবদি নুপানা তৌগদবা থবক্তা নুপীনা তৌবদা মহয় য়াল্লগসু তীল চঙবা, হৈমুন ফাদবা লৈতবা নত্তে। অমরোমদা নুপীনা তৌগদবা থবক্তু নুপানা তৌবদা মপূং ফারবসু অপেনবা য়াম্না ফবা ওইবা য়াদবসু য়াওই।

ঐখোয় মীওইবা হায়বা ফুরুপ অসি ঈশ্বরনা শেম্লকপদা পা-পী হায়বদি নুপা নৎত্রগা নুপী হায়না শেম্লকই। হৌজিকপুদি খুন্নাই অসি ত্রান্সজেন্দর হায়বা অমসু লৈবরে অদুবু মখোয়গী ফিজিকেল ষ্ট্রকচর য়েংলগদি নুপী নৎত্রগা নুপাগী কাঙলুপ্তা অদুম লৈ।

পোল্লকপদগী মাগী ফিজিকেল ষ্ট্রকচরগী মতুং ইন্না নুপানা নুপীদগী পাঙ্গল হেন্না কল্লি অদুনা পাঙ্গল থোকপা হায়বদি পাঙ্গলনা থবক শুরকপদদি নুপানা নুপীদগী হেন্না কল্লি। পাঙ্গল থোকপা, পাঙ্গল চঙবা থবক অমা শুনরকপা মতমদা নুপানা তৌথোরকপা থবক অদুনা নুপীনা তৌথোরকপা থবক অদুদগী মচু তাই অমদি তন্দে-মান্দে তৌবগী চাংসু নেমই। হায়বদি থবক্তু তৌবদা অরুম্বা অকনবা থবক ওইরবদি নুপানা নুপীদগী হেন্না তৌবা ঙম্মী।

অতোপ্পা অমনা মীওইবগী ৱাখলদা অমুক য়েংনরগদি নুপীনা নুপাদগী মীনুংশি চাওবা, লূবা-নানবা খরা হেল্লি। নুপা অমসুং নুপী অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মীনুংশিগী মিৎয়েং অদু কনানা হেনবগে হায়না য়েংনরকপা মতমদা নুপীনা অয়াম্বা মতমদা মীনুংশি চাওবা হেল্লবসু নুপাশিংগী মরক্তসু মীনুংশি চাওদবা য়াওদবা নত্তে। লোয়ননা তুংদা করি থোল্লক্কনি হায়না চেকশিঞ্জবসু নুপীনা নুপাদগী খরা হেনব্রা খল্লি।

ঐনা ঐগী ৱাখলদা লৈজরিবা খরা হায়জনীংবদি মরু ওইনা নুপা নুপী অদু য়ূম পানমিন্নরবা মতমদদি নুপানা তৌগদবা থবক্তুদা নুপীদুনা তৌরবা নৎত্রগা নুপীদুনা তৌগদবা থবক্তুদা নুপানা তৌরবদি তুংদা তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমা ওইরক্লোইদ্রা হায়বগী নুংনাংবা পোকই। হায়বদি য়ূম পাল্লবা মতুংদদি নুপী ওইবীশিংনা য়ূমগী থবক ইনখাং শুবা অসি য়াম্না তঙাইফদে। অয়ূক য়াহৌরকপদগী য়ূমগী অকুপ-অতা, চাক-ঈশিং থোংবা, ফিশু-ফিজাম্বা, অকোয়ববু তরু-তনান্না ফজনা থম্বা অসি য়ূম পাল্লবা নুপী অয়াম্বনা তৌগল্লি।

অমরোমদা নুপানা লমদা থোল্লগা শেল তান্দুনা পুশিল্লক্লগা য়ূমগী অৱাৎ-অপা মেন্নবা অসিসু অসুক্কী মতিক তঙাইফদে। নুপানা ৱানা হল্লকপদা নুপীদুনা য়ূমগী থবক-ইনখাং শিৎ নান্না লোইশিন্দুনা তরু-তরুনা থমদুনা মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা অথুম-অহাওনা থৌগল তৌবিরবদি ৱানা লাক্লম্বদু হায়ফেৎতি ইংথবা য়াই। নুপীসু থবক চৎ, নুপাসু থবক চৎ হঞ্জিল্লকপা মতমদা য়ূমগী অকোয়বসু পুমচাই চাই, চান-থক্লবসু অমুক হোৎনা, মনেমবোক-মকুবোক্কী থৌগল তৌনবা অমুক হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরক্কনি অমদি পেন্নদবা কয়া লাক্কনি।

পূম্নমক অসিনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা হেন্না মরু ওইরিবদি মখোয় মখোয়গী অঙাং য়াওরক্লবা মতম অসিনি। মমা ওইবীশিংনা মচা অদুবু পোকপদগী হৌনা মী অমা ওইদ্রিফাওবদি মিকুপ কাংদনা শেন্নরিবনি। মমাসু মপাসু ওফিস নৎত্রগা থবক চৎলিবনি হায়না পুল্লপ চৎথোকখ্রবদি অঙাং অদুদি কনানা শেন্নহৌগনি। অঙাং অদুবু পোকপদগী লোয়নরকপদি মমা ঙাক্তনি। মমাদুনা মচাগী অপাম পামদা খঙই। মমানা অঙাং অদুবু পীক্লিঙৈদগী হৌনা থকসি-খাসি, চৎন-লোনচৎ, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ তম্বীবগী মতাংদা মমাগী চাওরবা থৌদাং অমসু চঙই। অঙাংসু মমাদুগা পীক্লিঙৈদগী লোইনরক্লবনিনা মমানা সি হায়য়ু, সি তৌ হায়বদা ইনগনি অমদি অফ-ফত্ত করিনো মশক মুন্না খঙদুনা অফবা লম্বীদা চৎখিগনি।

উ পান্বীনা চাউরক্লবা মতমদা হোংদোক হোংজিন তৌদুনা অতোপ্পা মফম অমদা থাবা মতমদা উ পান্বী অদু হৌবা ঙমদে। অঙাংসু চাওরক্লবা মতমদা ৱারক ৱাতেল্লবদি নৱা লৌদে হায়রকপসু য়াই। ঐখোয়নসু খঙনরি মদুদি মীওইবনা করিগুম্বা অৱা-অনা, অশোক অপন থোল্লকপা মতমদা 'ইমা' হায়বা ৱাহৈ অসি য়াওদবা লৈতে। মসিনা নুপা অমসুং নুপী অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অদু উৎপা ঙল্লি।

মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা অমনা য়ূম পানবা হায়বসি পৈশা য়াওদ্রবদি য়াদে। অদুনা নুপানা অরেম্বদা মতম মাঙহন্দুনা লৈবিরোইদবনি। করিনো-করিনো অমা তৌরগা পৈশা তান্নবা হোৎনগদবনি। নুপীশিংসু য়ূমগী মখাদা লৈদুনা মহাক্লা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙশিনবা অমদি মচাশিংবু কুপশেন শেন্নদুনা মী অমা ওইনবা হোৎনগদবনি। মখোয়গী মচাশিং অদুনা মী ওইরবা মতমদতা মখোয়সু নুংঙাই য়াইফবা ইমুং হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

অরোইবদা ঐনা থমজনিংবদি পুন্সিদা নুংঙাই য়াইফনা লৈগে হায়রবদি শেল চঙই। শেল য়াওদনা নুংঙাইবা ঙম্লোই। নুপা-নুপী অনীমকসু য়ূম পানবা মতমদা ৱাখল মান্নানা লৈমিন্নগদবনি। অমরোমদা য়ূম পাল্লবা নুপী কয়া অমদি থবক্তি শুনিংদবা, অহাওবতা চানিংবা কয়াসু লৈতবা নত্তে। অসিগুম্বা কয়াশিং অসি লৈতনবা পাউচে, টি ভি নৎত্রগা রেদিওগী খুথাংদা এৱ্যেৰ্নেস পীহন্নিংই। লোয়ননা য়ূম্বানবগী লম্বীদা চঙশিনদ্রিঙৈ মতমদা নুপা নৎত্রগা নুপীদুনা মানা মানা পামজবা, হৈজবা শিনফমশিং তৌবদা অকায়বা লৈতে অদুগা মহৈ মশীন তম্বদসু নুপা নুপী খায়দনা চপ মান্নানা মমুৎ তানা ফজনা হৈনবা তমহনগদবনি, অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক।

*অদোমগী - অঙানবা তোংব্রম*
*অখাম ময়ায় লৈকায়*

## মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মতম** অমদা ঈংনা চিক্লা পাল্লম্বা মণিপুর হায়বদু অমুক লাকখিগদ্রা? মণিপুর পুমওন ওনখ্রে। থকসি-খাসি, লমচৎ-শাজৎ, অহল-লমন, ওজা-গুরুদা চৎকদবা হৌন-লোনচৎ ফাওবা লৈনরক্ত্রে। ইমুং-মনুং কয়াদা থোংনাও হাংদোক্তুনা তূম্নরম্বদু হৌজিক্তি কিনরে। মচিন-মনাও শম্বল খানরে। য়ূমলোন কৈরোন্নবা চঙনরক্ত্রে। লৈকায়দা নাকপাক তানবদা খৎন-চৈনরকপদা নোংমৈ ফাওবা কাপ্পরকপগী পাউ তানরক্লে। অমগা অমগা নুংশিনদবা, থাজনদবা হেনগৎলক্লে। লায়রবা তোল্ল-তারবা কয়াবু মী ওইনা লৌনরক্ত্রে। কার, জিপ গাড়ী মখল কয়া মথৌ তাবগী মতুং ইন্না তোংনরক্লবা, টি ভি, টেপ, রেফ্রিজরেটর, ৱাশিং মেছিন অমদি মোর্দনগী মেটরিএল কয়া থোরক্লবা মতম অসিদা সাইকল ফাওবা লৈদুনা তোংবা ঙমদ্রবা কয়াবু য়াম্না শাথিনা হন্থনা লৌনরি। অচৌ অশাংশিংনা থবক মচা মশু তৌবশিংবু শা-ষণগুম্না শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নরকপসু য়াওদবা নত্তে। অঙম্বা কাঙবুনা অশোনববু তাথিনা তৌবা, মরাল অমা শীজিল্লগা অরানবা তাহনবগী চৎনবীসু য়াওরক্লে।

খুন্নাই অমা পাল্লি হায়দুনসু চিরবা নৎত্রগা লুরবা তাঞ্জাদা লুপা অমা, চেঙ মেরুক অমা মতেং পাঙনবা মতমদু নৎত্রে। অঙম্বা মীওইশিংনা অশোনবা মীওইশিংদগী মীনমদুনা অদু-অদা তৌবিগে, নঙগী কান্ননবা তৌবিগে হায়দুনা নম-নমদুনা খুদোংচাবা লৌনরি। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা মশুশিংবু পীজনিঙাই লৈরক্তবদগী সরক্তা অঙাওবগুম্না চৎনবা কয়া য়াওরক্লে। দুকান্দারশিংনা মীশক য়েংলগা য়োনিংবা মমলদা পোৎ য়োন্নরে। থবক শুবগী খূৎশুমল মতম চানা পীদবা, পীবা তারবসু অদুগীনি-অদাগীনি হায়দুনা হন্থনা পীবিরে। মীঙোন্দা লৈখিবা পৈশা থৌনবা চৎপদা মীদুনা হাৎকনি-তুপকনি হায়না কিহল্লকপদগী পৈশা থৌবা ঙম্নদবসু য়াওরে। থবক হাপ্পীগনি হায়দুনা লৌ ইঙ্খোল য়োন্থোক্তুনা পীজখ্রবসু থবক্তি হাপ্পীদবা, হায়রুরবসু অদু তৌরে-অদা তৌরে, হয়েং-হংচিৎ হায়দুনা মতম থা-থাদুনা লৈবা কয়াসু য়াওনরে।

অমরোমদা হুরান করবার তৌদুনা মীওই কয়া চাওখৎনবা অমদি মঙাল লৈনা হিংনবা লম্বীরোমদা চখবা কয়াসু য়াওনরে। মশা মশাখক ওইজনবগী খন্নবদা ঈশ্বরনা মীওইবদা খুদোল তম্লকপা মীনুংশি অমদি কৎথোকপগী লমচৎ হায়বদু লৈনরক্ত্রবগুম্না তৌনরক্লে। ওফিসতগী শিন্মী অমগী ফংফম থোকপা কান্নবা ফংগদবা কয়াদু চে-চাং তান্নবদা পৈশা য়াওদ্রবদি য়াদবনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফংফম থোকপা কান্নবদু লৌবদা হাবী-জাবি কিবদগী লৌগদবা তনবসু য়াওনরক্লে। লাইরিক লাইশুদি য়াম্না হৈবা, পৈশাদি পায়জদবা কয়া অমসু হৈরিবা মহৈ অদুগী মহয় চাবা ফংদবা কয়াসু য়াওনদবা নত্তে। লাইনীং-লাইশোনগী লমদসু পৈশা লৈতবদগী থৌরমদু য়াওবা ঙমহৌদবা কয়াবু য়েক্লবগুম খন্নদুনা চেপাউ কক্লরে। অচুম্বা পাম্বা মীওইশিংসু ফীভমনা, মতমনা য়াদবদগী ওইদবা ঙাঙনবা য়াওরক্লে। মাইকৈ অমরোমদা মীচং শঙ্গ লৈবা কয়াদা খুদোংচাবা পীদুনা মীচং শঙ্গ লৈজদবা কয়াদা অৱাবা পীনরে।

বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক্লা তোয়মনবদগী নোংমগী শুরগা হিংজবা, মচা-মশু থাকচবা, লাইরিক-লাইশু তম্বগী খরচ কয়া তান্নবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লবদগী মকোক্তা খূৎ হাপ্পরে। লৈঙাক্কীনা মরোল অমা চেদা, চিন্দা ফজবা, মীচম মীয়ামগী অপাম পামদনা করিনো খনবীদবদগী মায়কৈ কয়াদগী ঈরাং হৌহল্লি। চরাং খোইরাংনবনা লায়রবা মমা-মপা কয়া ককঙাওনবা মতৌদা মচা কয়া ফুম্বংননা লৈনবা য়াওরক্লে। ও! মতম অমগী ঈংনা চিক্লা পাল্লম্বা, থকসি-খাসি, ওজা গুরু মশক খঙনা হিংনরম্বা, য়ূমলোন কৈরোন্নবদগী চান-থক্লবা অৱাৎ অপা খরা-খরা নুংশিনা লৌনরম্বা অদু ঙসিদি তশেংনা তাইওন্নরে। মসিনি হৌজিক মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

### মরোল থোকপা লাই

